# কন্টেন্নর সিপকা থেঙ্গাইনবদগী য়ু এস নেভিগী হিরোই তরেৎ মাংখ্রে



টোকিয়ো, জুন ১৭:
অমেরিকান নেভিগী দেসত্রোইয়র অমগা কন্টেন্নর সিপ অমগা থেঙ্গাইনবদা নেভিগী হিরোই তরেৎ মাংখিবগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং জপাননা অচৌবা মার্চ ওপরেসন অমা হৌখ্রে। থেঙ্গাইনবদুদা মিলিটরি ভেসেল অদুগী নাকলদু পুংসুপ সুপচিনখ্রে হায়রি।

ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা এক্সিদেন্টদুদা মাংখিবা ক্রুদু ফংনবা হোৎনরদুনা প্লেনশিং হিশিং অমসুং হেলিকোপ্টরশিংনা জপানগী পেসিফিক কোষ্ট মনাক্কী ঈশিংগী শরুকশিংদা কোইথি থিখি। এক্সিদেন্ট অদুদা য়ু এস এস ফিটসগরল্ডগী কেপতেনসু শোকখি হায়রি।

থেঙ্গাইনবা মতমদুদা মাংখ্রিবা হিরোইশিংদু এক্সিদেন্টদু থোকপা মতমদা কদাইদা লৈরম্বগে হায়বসিসু শেংনা খঙখিদে। গাইদেদ মিসাইল দেসত্রোইয়রদুগী কম্মান্দিং ওসিসর ব্রীস বেন্সন য়াওনা অতৈ ক্রু মেম্বর কয়াসু শোকখি অমসুং হোস্পিটালদা এয়রলিপ তৌবা তাখি।

এরিয়ল টেলিভিজন ফুটেজনা মীওই অমা ষ্টেটচরদা লৈবা অমসুং রেসক্যুঅর অমা নাকল নাম্মা সুপচিল্লবা দেসত্রোইয়র অদুগী মথক্তা হোভরিং তৌরিবা হেলিকোপ্টর অমদা চীংখৎপগী শক্তমশিং উৎখি।

'হিরোই তরেৎ থীবা খঙদনা লৈরে' সিপশিং অমসুং জপানিজ কোষ্ট গার্দনা মখোয়বু মখা তানা থীরি হায়না নেভিনা ফোঙদোকখি। য়ু এস নেভিগী দেসত্রোইয়র অদুনা ফিলিপিন্সকী ফ্লেগ থেৎপা কন্টেন্নর সিপ এসিক্স ক্রিষ্টেলগা থেঙ্গাইনবদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ২.৩০ তাবদা টোকিয়োগী খা নোংচুপ্তা লৈবা ইজু পেনিন্সুলাগী কোষ্টকী মনাক্তা থোকখিবনি।


মফমদু মথৌ চীনবা সিপ্পিং চেনেল অমনি। য়োকোহামা অমসুং টোকিয়োদা লৈবা মরু ওইবা কন্টেন্নরগী পোর্টশিংগী গেটৱে অমসুনি। 'এরিয়া অসিদা ফাওরিবা সিপশিংগী মশিং য়ামই অমসুং মমাঙদা এক্সিদেন্টশিং থোকপা য়াওখ্রে হায়না কোষ্টিগার্দকী ওফিসল য়ুতাকা সাইতোরানা জপানগী পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেদা ফোংদোকখি।

এন ঐচ কে না ফোংদোকখি মদুদি, মিটর ২২২ (ফুট ৭৩০) গী চাওরবা কন্টেন্নর সিপ অদু এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদুদা মমাই খঙকক কক্লবা হোৎনখি, তৌইগুম্বসুং মদুগী কেপ্টেননদি অদুম্না মমাই লৈদনবা হায়খি হায়রি।

য়ু এসকী দেসত্রোইয়র অদুগা চপ মান্নবা মায়কৈদা ঐখোয়সু চৎলম্মী অমসুং এক্সিদেন্টদু থোকখি হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।

থৌদোক অদুবু থীজিনখিবা জপানগী কোষ্টগার্দনা ভেসন তরুক এয়রক্রাফট কয়া অমসুং অখন্নবা ত্রেন তৌবা রেসক্যু পার্সনল টিম অমা এক্সিদেন্ট মফমদুদা থাখি। তুংদা লৈবাক্কী সেল্ফ দিফেন্স দেসশিংসু চংশিনখি।

# জর্মন রিয়ুনিফিকেসনদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা হেলমুট কোহল লৈখিদ্রে



বর্লিন, জুন ১৭ :
জর্মনিগী হান্নগী চান্সেল্লর অমসুং কোল্ড ৱারনা মরম ওইদুনা অনীথোক্লা খায়দোকখিবা লৈবাক অসিবু নৌনা অমুক পুনশিন্নহন্দুনা অপুনবা য়ুরোপ অমদা জর্মনিবু মরু ওইবা থৌদাং লৌহনখিবা হেলমুট কোহল ইরাই নুমিৎতা লুদৱিগসাফেন টাউনদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা লৈখিদ্রে । মহাক চহী ৮৭ শুখ্রে।

'পূন্সি অমা লোমখ্রে অমসুং অসিগুম্বা মীশক অসি পুৱারীদা কাউঙমদনা লৈহৌরগনি' হায়না জর্মন চান্সেল্লর এঞ্জেলা মর্কেলনা রোমদগী ফোঙদোকখি। 'অদুম ওইনমক মহাক্না লৈখিদবা অসিনা ঐখোয়দা কদায় ফাওবা মাঙজবগে হায়বদু চুম্না চপ চানা লেপ্পদা মতম খরদি শোয়দনা চঙগনি। হেলমুট কোহল অচৌবা জর্মন অমনি অমসুং অচৌবা য়ুরোপিয়ন অমনি।'

মহাক্না কুমজা ১৯৮২ দগী ১৯৯৮ ফাওবা অহানবদা ৱেষ্ট জর্মনিগী অমসুং মদুগী তুংদা অপুনবা জর্মনিগী লৈঙাক পায়রিঙৈ চহী ১৬ কী মতমদা পুৱারীগী থৌদোকশিংদা থোইদোকপা মীৎয়েং চঙশিনবগা লোয়ননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিটিগীদমক্তা চোকথবা নাইদনা হোৎনখি। কুমজা ১৯৮৯ গী নবেম্বরদা বর্লিন ৱাল থুগায়খিবা মতুং চহী অমা ফাদ্রিঙৈগী মনুংদা মহাক্না জর্মনিবু দিকেদ কয়া ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট হায়না খায়দোক্ল রকখিবদু লোইশিনহনবগী থবক থৌরম কয়াগী মকোক চিংদুনা য়ুরোপিয়ন পোলিটিক্সতা অনৌবা মতম অমা লাকহনখি।মহাক্না মহাক্কী ফ্রেঞ্চ মীচং প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ মিট্টরওংগা খুৎশম্নদুনা য়ুরো হৌদোকপদসু অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নখি।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী চীফ জোন-ক্লোদ জঙ্করনা ঈ-য়ুগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী ফিৱালশিং তজ্খায় চিংথরগা পাইহন্নবা ওর্দর তৌখি।

য়ুরোপিয়ন ইন্টিগ্রেসনদা অদুক্কী মতীক থাজজবা লীদর অমা ওইনা কোহলনা য়ুরোপতা করেন্সি অমখক চৎনহনবগী ৱাফম শৌগৎতুনা জর্মনশিংদা মখোয়গী থৱায় ওইরিবা দোইচমাক থাদোক্লবা আপিল তৌখিবনি।


# দোনাল্ড ত্রম্পনা ক্যুবাগী অথিংবশিং চেৎশিনগদবা থৌরাংশিং লাওথোকখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ১৭:
অমেরিকাশিংনা ক্যুবাদা চৎপদা থল্লিবা অথিংবশিং হেন্না চেৎশিন্নবা অমসুং লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা দিল তৌনবা য়ু এসকী বিজনেসশিং লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা লাওথোকখ্রে। ত্রম্পগী অনৌবা থৌরাংশিংনা মমাংগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা হিস্তোরিক ওইবা মওংদা ক্যুবাগা মরী লৈনবা পোলিসিশিংদা অহোংবা পুরকখিবশিংগী মনুংদা খরা হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিনহল্লি।

মাইয়ামিদা পীবা স্পীচ অমদা মহাক্কী অনৌবা ক্যুবা পোলিসি খঙহনখিবগা লোয়ননা ত্রম্পনা প্রসিদেন্সিয়ল দিরেক্তিভ অমা থোক্তুনা ২০১৪ দা হান্নগী কেল্ড ৱারগী য়েক্লবা অনীগী মরক্তা লাকখিবা ব্রেকথ্রুগী মতুংদা ওবামানা রেগ্যুলেসন খরা কোমথোকহনবখিবদু অমুক হন্দোকহল্লগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী ওফিসলশিংনা ফোংদোকখি।

প্রসিদেন্সিয়ল কেম্পেইন মনুংদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হভানাগী মায়োক্তা হেন্না কনবা ফীরেপ অমা লৌরদুনা ত্রম্পনা মতম শাংনা





অমেরিকানশিংনা টুরিষ্টশিং ওইনা ক্যুবাদা চৎপদা থম্লকখিবা অথিংবা অদু হেন্না কনবা মওংদা চৎনহন্নবগী থৌরাং লাওথোক্লগনি অমসুং য়ু এসকী দোলরশিংবু (য়ু এসকী ফন্দশিং) মিলিটরিনা দোমিনেট তৌবা গভর্ণমেন্টগী ফন্দ ওইহন্দনবা হোৎনরগনি।

তৌইগুম্বসুং য়ু এসকী বিজনেসশিং অমসুং মহাক্কী ফেলো রিপব্লিকান খরনা কম্যুনিষ্ট লৈবাক ক্যুবাগা মরী পুন্নমক থদৎতনবা প্রেসর পীরকখবগী মতুং ইন্না মহাক্না লৈবাক অনীগী মরী নোর্মেল ওইরক্লবা ওবামানা লৌখৎলম্বা খোংথাং কয়াসু শোক্তনা থমগদৌরি।

মমাংগী এদমিনিষ্ট্রেসননা ক্যুবাগা তৌনরম্বা নাকল নাম্মখক য়েংবা দিল অদু ঐহাক্না কেন্সেল তৌরগনি হায়না ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পকী অনৌবা পোলিসিনা আর্ম ফোর্সেস বিজনেস ইন্টরপ্রাইজ গ্রুপ (বি এ ঈ এস এ) কা তৌনবা য়ু এসকী বিজনেস ত্রাঞ্জেক্সন অয়াম্বা থীংজিল্লগনি। তৌইগুম্বসুং এয়র অমসুং সি ত্রাভেল য়াওনা কোমথোকপা খরসু য়াওগনি। কোঙ্গলোম্মরেট অসি ক্যুবাগী ইকনোমিগী সেক্টর খুদিংমক্তা চেন্নরিবনি।

# পেপর্স প্রোব পেনেলগী মমাংদা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুন ১৭ :
পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকী মনাওনুপা অমসুং পঞ্জাবকী চিফ মিনিষ্টর সেহজ শরিফ ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা পানামাগেট গ্রাফট কেস থীজিল্লিবা টিমগী মমাংদা অপিয়ারস পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা মহাক্না শরিফ ইমুংগী মীওইশিংগী মরক্তগী পেনেল অদুনা ৱাহং পাউহং তৌবা মরিশুবা মীশক ওইরে।

সেহবাজ শরিফ মচানুপা হমজা সেহবজ ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধরি নিশর অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর ইশক দারগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক ফেদরেল জুদিশল একাদেমিক (এফ জে এ) দা থুংলগনি অমসুং মহাক্না শরিফকী ইমুংদা শিরিবা লোনা য়াদবা মওংদা শেল থৈদোক্লিবগী মরাল কয়াগী মতাংদা প্রোব তৌরিবা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি) না মমাঙদা ৱাশক্তুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্টশিং পীখি। মশাগী চহী ৬৫ শুরবা পঞ্জাবগী চিফ মিনিষ্টর অসি জে আই টি গী মমাঙদা থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ঙরাং ইস্লামাবাদতা থুংখি।

# মুহাজিরশিংনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাকিষ্টানদা মিলিটরি মতেং পীবা লেপ্পবা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ১৭ :
ইস্লামাবাদনা টেররিজম শৌগৎপগী ৱাফম পল্লদুনা মুহাজিরশিংগী গ্রুপ অমনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং য়ু এস কোংগ্রেসতা পাকিস্টানদা মতেং পীবা অমসুং মিলিটরিগী খুৎশু-খুৎলায়শিং য়োনবা লেপ্পনবা তকশিনখ্রে।

পাকিষ্টানি মিলিটরি ইষ্টাব্লিশমেন্টকী এক্সনশিংনা মখোয় টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা য়ু এসকী থাজবা য়াবা মীচং অমা ওইবা য়ারোই হায়বা উৎলি হায়না হন্দক্তা শেমখিবা ৱর্ল্ড মুহাজির (রিফ্যুজি) কোংগ্রেসনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং য়ু এস কোংগ্রেসতা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা হায়খি।

য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনবু নমথাক তৌদুনা অমসুং হক্কানি নেটৱার্ক, টালিবান ক্বেট্টা সুরা অমসুং অল-কাইদা ওপরেটিভশিংবু থম্বা হায়বসি আই এস আইগী পোলিসি অমনি হায়না মেমোরেন্দম অদুনা হায়খি।

'য়ু এসকীদমক্তদি পাকিস্থানি টেরিটরি মনুংদা চঙশিন্দুনা জিহাদিষ্ট ওপরেটিভশিং হাৎনবা লন্নাইৱারেপ লৌবা নত্তনা অতৈ ওপসন অমত্তা লৈতে।'

টেররগী মায়োক্তা য়ু এসনা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসি পাকিস্থান আর্মিনা লমদম অসিদা টেররিজম শৌগৎপগী ৱাফম অসি য়েংশিন্দনা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না মেমোরেন্দম অদুনা ফোঙদোকখি। মেমোরেন্দমগী কোপিশিংদু ৱাশিংটনদা ফোরন মিলিটরি সেলসকী মতাংদা চথরিবা কোংগ্রেস্নেল হিয়ারিং অমদা টেররিজম, নন-প্রোলিফরেসন অমসুং ট্রেদকা মরী লৈনবা হাউস ফোরন এফেয়র্স কম্মিটিগী মেম্বরশিংদসু পীখি।

'ৱর্ল্ড মুহাজির কোংগ্রেসনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং য়ু এস কোংগ্রেসতা পাকিষ্টানদা মিলিটরিগী পোৎ-চৈশিং য়োনবা অমসুং তেংবাঙ পীবা লেপ্পবা থম্মোয় শেংনা হায়জরি' হায়না মেমোরেন্দম অদুনা মখা তাখি।

# নুপী ৯৮, অঙাং ২৫ য়াওনা মাইগ্রন্ট ৯০০ লিবিয়াগী ঈশিংদগী রেসক্যু তৌখ্রে

ত্রিপোলি, জুন ১৭ :
লিবিয়াগী নোংচুপ থংবা সব্রাথা কোষ্টকী মনাক্কী ঈশিংদগী হি মঙাদা য়াওবা মাইগ্রন্ট ৯০০ লৈবাক অসিগী কোষ্ট গার্দনা রেসক্যু তৌখ্রে। লিবিয়ন কোষ্ট গার্দনা রেসক্যু তৌখিবা মাইগ্রন্টশিং অদুদা নুপী ৯৮ অমসুং অঙাং ২৫ য়াওই হায়রি।

লিবিয়ন নেভিগী স্পোক্সমেন অয়ৌব কশেমগী মতুংইন্না ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা, জৱিয়া সিটি মনাক্কী কো গার্দ পেট্রোল কাংবুনা সাব্রাথা সিটি তম্না চংশিনখি অমসুং মাইগ্রন্ট ৯০০ রেসক্যু তৌখি হায়না জিনহুৱা গুজনা ফোঙদোকখি।

কাশেমনা ফোঙদোকখি মদুদি, সাব্রাথা কোষ্টতগী মাইল তরেৎ লাপ্পা মফমদগী কনখিবা মাইগ্রন্টশিংদু লিবিয়ন অহুম য়াওনা অফ্রিকা অমসুং আরাব লৈবাকশিংদগী ঙাক্তনি। মহাক্না রবরগী হিশিংদু হোবদগী ঈশিং চংদুনা লুপখি অমসুং উগী অচৌবা হি অমা য়াওবসু এঞ্জিন য়াওরমদে হায়খি।

রেসক্যু ওপরেসন অদু পুং তরেৎ হেন্না চংখি। কেপিটেল ত্রিপোলিদগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৭৫ রোম লাপ্পা লৈবা কোষ্টেল সিটি সাব্রাথা অসি



লিবিয়াগী খ্বাইদগী থবক চীনবা ইলিগল ইখিগ্রেসন দিপার্টর পোইন্টশিংগী মনুংদা অমনি।

ইন্টেলরন কোষ্ট গার্দশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা লিবিয়াগী কোষ্ট মনাক্তগী রবর অমসুং উগী হিশিংদগী মাইগ্রন্ট ১০০০ হেন্না রেসক্যু তৌখি।

ইন্টনেসনল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসনগী ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মাইগ্রান্ট ৯,১১১ লিবিয়াগী ঈশিংদগী রেসক্যু তৌখি।

সিক্যুরিটি লৈতবা অমসুং মথোং মরম খঙদবগী ফিভম লৈবনা মরম ওইদুনা লিবিয়া অসি লোনা য়াদবা মওংগী ইম্মিগ্রেসনগী মরম ওইবা দিপার্টচর পোইন্ট অমা ওইরকখি। ফিভমদুগী খুদোং চাবা লৌদুনা স্মুগ্লরশিংনা মেদিটরিনিয়ন ফাওরগা মাইগ্রন্ট লিশিং কয়া য়ুরোপ্তা থাখি অমসুং মাইগ্রন্ট কয়া লমখাংদা ঈরাক্ল দুনা শিখি।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী ক্লেম পাকিষ্টানি গ্রুপশিংনা য়াখিদ্রে



জেরুসালেম, জুন ১৭:
জেরুসালেমগী ওল্ড সিটিগী মপান দা চথখিবা এতেক অমদা ইজরেলি নুপী পুলিস অমা থাংনা থীল্লগা হাৎখ্রে লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পালেষ্টিনিয়ন এতেক্করশিংনি চীংনবা অহুম কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী ষ্টেটমেন্ট অমনা থাংগী এতেক অদু মখোয়গী থবক্লি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। করিগুম্বা ক্লেম অদুনা চুম্বা তারবদি মদু এতেক অদু আই এসনা ইজরেলগী মায়োক্তা হকথেংননা চথবা অহানবা এতেক ওইরগনি। লুপ অসিনা মসিগী এফিলিয়েট ন্যুজ এজেন্সিগী খুথাংদা পীখিবা ৱার্নিং অমদা এতেক অদুনা অরোইবা নৎতে হায়খি।

এতেক অদু শেম্বীবা মপুগী লাইনিং লম্বীগীদমক চথবা লমন খুম্বা অমনি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা এজেন্সি অদুনা হায়খি মদুদি, জ্যুশিংনা কলিফেটকী লাম্নীশিংগী মখুৎতা মখোয়গী এন্টিটি মাংলকপা উরগনি।

অদুম ওইনমক হমাস অমসুং পিপলস ফ্রন্ট ফোর দ লিবরেসন ওফ পালেষ্টাইননা ইজরেলি নুপী পুলিস অমা থাংনা থীন্দুনা হাৎখিবগী থৌদোক মতুংদা জেরুসালেমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা পালেষ্টিনিয়ন অহুম অদু লোকল ইস্লামিষ্ট অমসুং লেফটিষ্ট মুভমেন্ট-শিংগা মরী লৈনবশিংনি হায়না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা আই এসকী ক্লেম অদুবু রিজেক্ট তৌখি। ইজরেল পুলিসকী মাইকৈদগী পুলিস অমদা থাংনা থিনখিবা পেলিষ্টিনিয়ন অহুমদুগা ওর্গনাইজেসন অমত্তগা মরী লৈনদে হায়না ফোংদোকখি।

মদু লোকল সেল অমনি। ষ্টেজ অসিদা মদু টেররিষ্ট ওর্গনাইজে-সনশিংনা চথবনি হায়বগী খুদম চাংদম অমৎতা ফংদে অমসুং ওর্গনাইজেসন অমৎতগা মরীসু লৈনরমদ্রে হায়না পুলিসকী স্পোকপার্সন নুবা সমরিনা ফোংদোকখি।

এতেক অদু ইরাই নুমিৎতা মুস্লিমশিংগী চাকহেনথা রামজানগী অহুমশুবা ইরাই লোইশিনবগা চান্নমা চথখিবনি। নুমিৎ অসিদা ইষ্ট জেরুসালেম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্কতগী পালেষ্টিনিয়ন লিশিং কয়ানা মনাক নক্লা লৈবা ইস্লামগী অহুমশুবা খ্বাইদগী শেংবা মফম ওইরিবা অল-অকসা মোস্ককী কম্পাউন্দা লাই খুরুমনখি।

দামাসকস গেটতা চথখিবা এতেক অদুদা নুপী বোর্দর পুলিস অমা ফীভম থীনা শোকখি অমসুং পুলিস য়ুনিটনশিংনা খুদক্তা রেসপোন্দ তৌদুনা আরব টেররিষ্ট ৩ নোংমৈনা কাপখি অমসুং মখোয় শিখি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন মিকি রোজনফিল্ডনা মখা তানা ফোংদোকখি।




## EMPLOYMENT NEWS

**NALCO Recruitment – National Aluminium Company Limited – 330 Trade Apprentices Vacancy – Last Date 01 July 2017**

**NALCO Recruitment 2017**

National Aluminium Company Limited invites application for the post of 330 Trade Apprentices. Apply before 01 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NALCO Job Details :**

Post Name : Trade Apprentices
No. of Vacancy : 330 Posts

**Eligibility Criteria for NALCO Recruitment :**

Educational Qualification : Passed 10th class examination under 10+2 system of education or its equivalent with ) ITI pass in relevant trade.

Age Limit : Maximum age limit is 30 years for Management Trainee, 50 years for AGM & 52 years for DGM & As on 15.05.2017

**Job Location : Odisha**

**Selection Process :** Selection will be based on Merit basis.

**Application Fee :** There is no application fee

**How to Apply NALCO Vacancy :**
Interested Candidate may apply in prescribed application form along with attested copy of relevant documents send to Manager (HRD)-Training, HRD Centre, Alumina Refinery, NALCO, M&R Complex, Damanjodi, 763008. Koraput (Dist.), Odisha on or before 01.07.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 01.07.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.nalcoindia.com/CIRCULAR%20AND%20APPLICATION%20FORM%20FOR%20ENGAGEMENT%20OF%20TRADE%20APPRENTICES%202017-18.pdf*

**SSPHPGTI Noida Recruitment – Super Speciality Paediatric Hospital & Post Graduate Teaching Institute – 29 Computer Operator, Technician & Various Vacancy – Last Date 09 July 2017**

**SSPHPGTI Noida Recruitment 2017**

Super Speciality Paediatric Hospital & Post Graduate Teaching Institute (SSPHPGTI), Noida invites application for the post of 29 Computer Operator, Technician & Various Vacancy. Apply Online before 09 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 11/2017

**Job Details :**

Post Name : Computer Operator (Grade A)
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2400/-

Post Name : Technician
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-

**Eligibility Criteria for SSPHPGTI Noida Recruitment :**

Educational Qualification :
For Computer Operator : Candidates must have Graduate. Preferably with Maths/PHY/Stat and DEO Diploma (O Level ) and 1 years experience.
For Technician : Candidates must have Intermediate with science and Diploma in Technician Diploma in medical Techniques from a recog. Institute OR Degree in Science form recognized University.

**Nationality : Indian**

Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 21 to 40 years as on 01.07.2017

**Age Relaxation :** For SC/ST/OBC Candidates 5 years

**Job Location :** Noida (Uttar Pradesh)

**Selection Process :** Selection will be based on Personal interview or exams.

**Application Fee :** Candidates belonging to UR categories have to pay Rs. 2000/- & Rs. 1300/- for OBC/SC candidates through online.

**How to Apply SSPHPGTI Noida Vacancy :**

Interested candidates may apply online through the website http://ssphpgtinoida.com from 09.06.2017 to 09.07.2017. Candidates may also send hard copy of Online application along with all educational and experience certificate by Registered or Speed Post or Courier to Director, Super Speciality Paediatric Hospital & Post Graduate Teaching Institute, Sector- 30, Noida-201303, Gautam Budh Nagar, U.P. (India) on or before 15.07.2017.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 09.06.2017
Last Date for Submission of Online Application : 09.07.2017
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application by Post : 15.07.2017

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://ssphpgtinoida.com/upload/new-jobs/non%20teaching%2006.06.2017.pdf

**Apply Online :** http://ssphpgtinoida.com/AppOnline/user/registrationBaseAction